ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওক্টোবর ১১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৯৮শুবা মশীং

লৌখোংদা ঈশিং চেলহনবা

ঈশিং চিংনবা পম্প লৈবগী থৌরাং লেপখিসি

ঈশিংনা অৱাংবদগী অনেম্বদা চেন্থবগুম লৈবাক অমদা লৈরিবা তুরেল, ঈরম-খোংলমশিংগী ঈতিনফম লৈগনি। ঐখোয় মীওইবগী খূৎশেম্না মরম অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না ফননবা তুরেল নৎত্রগা ঈরম-খোংলমশিং থৈদোক-থৈজিন তৌবা হায়বসিসু তঙাইফদবা মতাং লৈ। অদুবু মণিপুরদদি চহী খরগী মমাংদা লৈরম্বা ঈরম-খোংলমশিং অয়াম্বা ফুঞ্জিন্নখিবদগী হীরম কয়াদা খূদোংচাদবা মায়োক্নরে। ঈরম থিরগা চেঞ্জরিবা ঈশিং মাগী পন্থুংফম য়ৌদ্রিঙৈদা ঐখোয় মীওইবনা ফুঞ্জিনখিবদগী ঙাইহাক লৈতনা ঈশিং মৌখৎপগী অৱা-চৈথেং ফংলি। মরুওইনা নেসনল হায়ৱে-২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী শিংজমৈ মখাদগীনা ককৱা ফাওবদা লম্বীদা ঈশিং ঙাইহাক লৈতনা চাওরিবা অসি মসিগী খূদোলনি। লৈঙাক্না ঈরম-খোংলম শেল্লিবনি হায়দুনা ঈশিংগী ঈরম য়েংদনা খোংলম শেমজিল্লি। মখোয়না আর সী সী হৈজিল্লগা শেল্লিবা খোংলমশিং অদুগী কান্নবা মীয়ামদা পীদে। মদুগী মহুৎতা অহোয়নদুম খূদোংচাদবা থোকহল্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিনা লৈঙাক্না ঈরম-খোংলম শেল্লিবনি হায়না লৌজরগসু মীয়ামগী মীৎয়েংদদি থিকাগী খল্লগা থবক তৌবনি হায়না লৌই। অসুম্না মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ঈরম-খোংলম ফুঞ্জিল্লগা লৈরি। ৱাইশেল মরিলনা পীরিবা চৈথেং অসিসু ঐখোয় মীওইবনা থোকহনবনি। অদুবু, মতম অমদদি অসিগুম্বা ঈরম-খোংলমশিং অসিনা নোংজু থাগী মতমদা ঈচাও থোক্নদবা ঈশিং চেন্থহনখিদুনা ঈচাওদগী ঙাকথোক্লম্মী। নোং চুরক্তবা মতমদনা লিরি-লিরি চেল্লকপা ঈশিংনা লৌ উবগী লম্দা কান্নবা পীরি। মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না মমাংঙৈদা লৈরম্বা ঈরম-খোংলম খূদিংমক শেমজিনহৌদ্রগদি মাঙখিবা হায়বসিসু মহৌশানি। লৌবূক লম্মাংদা লৈরম্বা ঈরম-খোংলমশিং চহী ২০ হেন্না মীৎয়েং চঙদ্রগদি অদুম ফুঞ্জিনখিবা হায়বসিসু হৌনবীনি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিদগী কন্ননবগীদমক্তা মণিপুর লৈঙাক্না য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং কম্যান্দ এরিয়া দিভলপমেন্ট ওঠোরিটি (কাদা) লিংখৎতুনা লৌখোংদা ঈশিং চেলহন্নবা থৌরাং তৌরম্মী। মতম অমদদি লৈঙাক্না মতিক চাবা শেনফম হাপ্তুনা এম আই অমসুং কাদাগী তেংবাংনা লৌফম কয়া লৌ উবা ফংহল্লম্মী। অচৌবা ঈথৈ-লৌখোংশিংনা ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোলগী মখাদা থল্লগা মদুদগী হাইদোরকপা ঈশিং অদু লৌখোংদা চেলহন্দুনা লৌফম য়ৌহনবগী থৌদাংদি এম আই অমসুং কাদানা লৌরগা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তি দিপার্টমেন্ট অনী অসি মমিং খক্তগী ঙাইরে। মখোয়দা থাদফম থোকপা শেল থাদবীদ্রে। মসিনা তাক্লিবদি লৈঙাক্না লৌখোংদা ঈশিং চেলহনবগী থৌরাং নীংথিনা লৌখৎত্রে হায়বনি।

লায়রবা ষ্টেট অমগী ইকোনোমিগী ফীভম ফগৎহনগে হায়বা তারগদি লৌউ-শিংউগী লম্দা মীৎয়েং চঙবা অমসুং লৌমী মীয়ামদা থবক পীবা হায়বসিনি। অমরোমদা মখোয়না পুথোক্লিবা পোথোক অদু ঐখোয় পূম্নমক্না শীজিন্নবা অমদি মখোয়না য়োনগে হায়বা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অদু শীৎতবগী অৱাবা লৈহল্লোইদবনি। মতমদুদা মণিপুর শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎপা ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙমগনি। মতিং লৈবা লৈঙাক অমনা লৌউ-শিংউগী লম্দা মীৎয়েং চঙবা ঙমদ্রগদি মহাক্কী লৈঙাক অদু কদায়ৱাইদনো অমা চাওনা হোরে হায়বা মশানা খঞ্জগদবনি। হৌজিক্কী মতমদা কুমগী নোং মতম চানা চুগনি, মতম চানা লোইখিগনি হায়না খন্দোক্লগা লৈবা য়াবগী মতম ওইদ্রে হায়বসিসু লৈঙাকপশিংনা খঙগদবনি। মালেমগী ওইনা কায়থরক্লিবা অঙৈং-অশাগী খল অমসুং মসিনা ওইরক্লিবা নোংজু-নুংশাগী ফীভমশিং অসিনদি ঐখোয় পূম্নমক মহৌশা হায়বদুদা খূদিংমক তাংদুনা হিংগনি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকপা চুম্লে। নোং খজিক্তং তারকপদা ফংলিবা ঈশিং অদু মাঙহন্দনা য়োকশিল্লগা থম্বা, অসুম্না য়োকশিল্লবা ঈশিং অদু ঐখোয়না চুনবা থবক্তা মতম চানা শীজিন্নবা ঙম্ননবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। লৌমীশিংনা লৌ উননবগীদমক প্রি-মোন্সূনগী নোং তঙাইফদে। হায়রিবা প্রি-মোন্সূনগী নোং অদু য়াম্বা য়ামদবা খরদি শোয়দনা তাগনি। মদুগী মতুংদা মোন্সূন লাক্কনি। মোন্সূন লাকপা থেংবা-ঙনবা হায়বদু থোক্তনবা ঐখোয়না প্রি-মোন্সূনদা ফংবা নোংগী ঈশিংশিং অদু অপাম্বা মফম-মতমদা শীজিন্ননবা য়োক্লনবা থৌশিল পায়খৎকদবনি। মোন্সূনগী মতমদা ফংবা ঈশিং অদুনা ঐখোয়গী চহী চুপ্পা থক্ল-চানবা শীজিন্নবা কোন্ননবা অমসুং লৌউ-শিংউবদা লেম-পানা শীজিন্নবা য়াননবা থৌশিল পায়খৎকদবনি। থৌশিল অসি পায়খৎহন্দবদগী ঐখোয় হৌজিক অৱাবা মায়োক্নরি। য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা লৌ পানবা লৌফম কয়ামরুম ঈশিং কংখিবদগী ফৌ শাৎপা ঙমদবগী ৱাথোক অমা লৈরিবসি ঐখোয়না ঈশিং শীজিন্নবা হৈহৌদবদগীনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফম অমদি, লৌবূক্তা ঈশিং কংলে, ফৌ শাৎপা ঙল্লরোই হায়দুনা লৈঙাক্না য়াল্লবা শেনফম কায়থোক্তুনা ঈশিং চিংননবা পম্প লৈশিনবা অমসুং পম্পশিং অদু লৌমীশিংদা পীথরগা লৌফমদা ঈশিং চিংশিনবগী থবক অসি করম্বা মতমদা পাঙথোকপা য়াবগে হায়বা হান্না কুপ্না নৈনহন্নীংই। ঈংশিল্লক্লবা মতমদা ফৌ নীংথিনা শাৎপা ঙমদে অমসুং মৱ্ চঙবা ৱাৎলি হায়বসিসু ঐখোয়না নৈনগদবনি। ফৌ শাৎপগী মতম হেনখ্রবা তুংদা ঐখোয়না লৌফমদা ঈশিং পীশিনবা হায়বসি অচুম্বা নত্তে। হৌজিক্তি সাইক্লোন টিটলি ওরিষা য়ৌরকখ্রে, মসিগী ঈনিল মণিপুরদসু ফংবা হৌরে। ঙসি নোংম-নীনি অসিদা মণিপুরদা নোং মরাং কায়না চুরগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ১গী ময়াদা কায়থোক্লগা ঈশিং পম্প লৈননবা থৌরাং অসি লেপ্পনা চুমগদ্রা খল্লি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

মণিপুর লৈঙাক্কী থবক

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ঐখোয়গী মণিপুর লমদম অসি করপসন্না য়োল্লবা লমদম অমনি হায়বসি ঐখোয় ময়াম্না খঙনরবা, চাম্মদা চাম্মা চুল্লবা ৱাফমনি। অদুবু হন্দক্কী পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা ইরমদম মণিপুরদগী করপসন অসিবু মৱ্ ফংনা মুখৎকনি হায়বসি তাবদা লমদম অসিগী মীওই অমা ওইনা নুংঙাইবা পোকই। অদুবু ঐগী থম্মোয়দা তত্তনা হংলিবা ৱাহংদি লৈঙাক অসিনা কয়ামুক পুকচেল তিংনা মীয়ামগী থবক তৌরক্কনি হায়বসিনি। হন্দক্তা ইকুই কুইদনা থেংলবসু থেংনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ওনলাইন্দা একচেঞ্জদা মিং চনবা, ও বি সী লৌথোকপা, রেসিদেন্সিএল সার্টিফিকেট লৌথোকপা অসিনচিংবশিং য়াহনবগীদমক লৈঙাক অসিবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। অদুবু মসিদি অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদদি চহী অনী/অহুমগী মমাঙদা তৌনখ্রবনি। অমবু ওইরবসু-অমবু ওইরবসু হৌজিক্তি মসিনা মহৈরোয় অমদি থবক থিজরিবা মীওইশিংদা শেল তিংহন্দ্রে অমদি মতম মাঙহন্দ্রে। ও বি সী অমা লৌবদা লুপা ২০০/৩০০ তিংনরম্বা অদু হৌজিক্তি শেল ইচং চঙদনা ওনলাইন্দগী লৌথোকপা য়ারে। মসিনা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা অমা পীরে অমদি করপসন খরদা ওইরবসু কোকহনবা ঙম্লে হায়জনীংই।

মণিপুর অসি হৌজিক্তি লাইরিক লাইশু হৈরবা, থবক থিরিবা নহানা মশীং লাকঙমদনা লৈরিবা লমদম অমসু ওইরে। লমদম অসিগী লাইরিক হৈরবা নহাশিংনা থবক্কী কম্পিটিটিভ এগজামশিংগীদমক শেল চঙনা কোচিং তৌনদুনা থবক অমত্তা ওইরবসু ফংহৌরবদি লোইরে হায়দুনা কন্না হোৎনরি। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা শেল পীরগা থবক চঙগে হায়বগী ৱাখলসি হৌজিক্তি তপ্না তপ্না হন্থরকপগী মমি তারে। মসি লমদম অসিগী ওইনদি য়াম্না ফবা অমদি কান্নবা খোঙথাংনি। মরক অসিদা লৈঙাকসিনা হান্নদগী মমাঙ-মমাঙগী পাল্লম্বা লৈঙাক্না তৌদুনা লাকপা দিপার্টমেন্ট মশানা অপিকপা ফমগী থবক লৌরকপদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইতবা পোকচৈ। মরমদি ঐখোয় পূম্নমক্না খঙই মদুদি দিপার্টমেন্ট মশানা লৌবা থবক অসি কয়ামুক য়াম্না শেংনা তৌই হায়বা। মমাঙ-মমাঙগী পাল্লম্বা লৈঙাক্না শেংনা চুম্না তৌবিরমদে হায়বসিদি পন্দুনা কান্নদ্রে। লৈঙাক্কী থবক থিজরিবা নহা ঐখোয়না পামজবদি অপিকপা ফমগী থবকশিং অসি কম্মিসন অমা হায়বদি এম পি এস সীগুম্বা অমা শেল্লগা তোঙান্না লৌবিয়ু হায়জবনি। অদুবু লাইবক থীবদি লৈঙাক অসিনা পায়রকপা চহী অনী শুরক্কদৌরবা ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তনা থম্বীরি। অদুনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী লাইরিক হৈরবা নহাশিংনা দিপার্টমেন্ট মশানা থবক কৌই তাবদা ফম অদুগীদমক ফোর্ম থাজিন্নীংদে অমদি কয়ামুক য়াম্না চুম্না-শেংনা তৌগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসি লাকই অমদি ষ্টেটকী থবক তৌনীংবা পোক্লক্তে।

অদুবু এম পি এস সীনা থবক লৌগনি, দিপার্টমেন্টনা লৌরোই হায়রবদি লাইরিক হৈরবা নহাশিংনা থাজবা খরা হৌজিক ফাওবদি লৈরি অমদি থবক অদুগীদমক ফোর্ম থাজিন্নীংই। এম পি এস সীনা লৌখিবা কুমজা ২০১৬কী এম সী এস/এম পি এসকী হৌজিক ফাওবা কোর্টতা কেস তৌনদুনা লৈরি। মসিদা অরানবা খরা তৌখ্রে হায়বগী মমি খরা তারবসু লাইরিক হৈরবা নহাশিংনা করম্বা মতমদা এম সী এস/এম পি এস সী এগজাম লৌরক্কদগে হায়দুনা নোংগৌবীনা কুমগী নোং ঙাইবগুম ঙাইদুনা লৈনরি। মরমদি এম পি এস সীনা এম সী এস/এম পি এসকী থবক কৌরক্তবা চহী অনী মপূং ফারক্কদৌরে। অদুবু লাইরিক হৈরবা নহাশিংনা হৌজিকসু লুপা লাক্ষ ২/৩ চঙনা, শেল তিংনা মণিপুরদা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা থবক অসিগীদমক কোচিং তৌনদুনা লৈরি। অরোইবদা হায়জনীংবদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা করপসন অসিবু কদাই ফাওবা মুখৎপা ঙমগদৌরিবনো হায়বসিনি।

অদোমগী - টি চন্দ্রশেখর শর্মা
বামোন কম্পু মখা লৈকায়

জি এস টি - চহী অমা ফারক্লে

সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

‘ওপ-এদ’ হায়বসি পাউচে অমদি চেফোংশিংগী য়াম্না মরুওই মফম অমগী অশম্বীদা শীজিন্নবা ‘তর্ম’ অমনি। ওপোজিত দ এদিটোরিয়েল পেজ হায়বনি। মফম অসি মহৌশানা, এদিটরগী অমদি এদিটোরিয়েল বোর্দ মেম্বরশিংগী মত নত্তবা অতৈ মরুওইবা আর্টিকল, ফিচরনচিংবা ফোঙননবা খাকপা মফম অদুনি। অমেরিকাগী ‘ৱাল-ষ্ট্রিৎ-জর্নেল’ হায়বসি মালেমগী ওইবা, লল্লোন-ইতিক্না মরী লৈনবা পাউ ফোঙবা, মরুওইবা চেফোঙ অমনি। চেফোঙ অসিগী ২০১৭ জুন থাগী ইস্যু’দা ‘ওপ-এদ’ পেজ অদুদা, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অমেরিকা খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা, মোদিনা আর্টিকল অমা ইখি। খুৎইদুদা মহাক্না মালেমদা লাউথোকখি- ‘২০১৭ জুলাইগী অহৌবা নুমীৎতগী মীকোক ক্রোর চামা কুন্থ্রা লৈবা, উপ-মহাদেস অমগুল্লবা ইন্দিয়াগী চাউরবা কৈথেল, খোঙথাং অমখক্তদা অপীকপা কৈথেল অমা ওনখ্রগনি... নুমীৎসিদগী গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স লৈবাকসিদা চৎনরগনি’...।

জি এস টি! ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়ন খুদিংমক্না মঙখিবা মঙলান অমগী য়ুম্ফমনি। পার্লিয়ামেন্ট’তা ভোট লৌনবা নুমীৎতুগী টেলিভিজন-লাইব-টেলিকাষ্ট-সং সং উরি মীৎসিদা। কনামত্তনা য়েৎখিদে, মপান থোকখিবা (ৱাক-আউট) সু তৌখিদে। সেকেন্দ খরগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্ট-হোল’দুদা লাকখিবা এম পি খুদিংমক জি এস টি চৎনহনবগী মীচঙদা ভোট পীখি, চাদা চামা!

ৱান নেসন, ৱান মার্কেট, ৱান টেক্স! খ্বাইদগী শম্বা, খ্বাইদগী লায়বা দিফিনিজন্নি-জাতি অমা, কৈথেল অমা, টেক্স অমা! মালেমগী খ্বাইদই চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক, খ্বাইদগী য়াঙনা চাউখৎলক্লিবা ইকনমিনি হায়নরিবা লৈবাক অমদা, মখল মখা য়ামদবা, অমখক্তা ওইবা ইন-দাইরেক-টেক্স! লৈবাকসিদা হৌদোকখিবা, লমদমসিদা চৎনখিবা চহী অমগা থা মরি মপুং ফারক্কদৌরে। মশিং য়াম্বা লায়রবা প্রজা, ময়ায় ওইবা থাক্তা লৈবা (মিদল ক্লাসকী) মীওইশিং- মখোয়নদি শাউই... জি এস টি’না মরম ওইদুনা পোৎকী মমল তাঙখৎহল্লে। ৱাখল মুন্না খন্দবা, মুনফাওনা লৌশিং লৈবা, কাবক কাবক লাইরিক পাবা মীওইশিংনা হায়... লাইরিক হৈতবা কারবারৱালাশিংনা কঞ্জ্যুমরশিংদগী থেংখাং অনীরক্তা জি এস টি লৌরে, অপঙবা প্রজাশিংদগী অহেনবা শেনফম নমথাক তৌদুনা লৌবনি, মসিগী লমন ভোট মতমদা খুমগনি, খঙগদবা কুইদ্রেদনা!

অদুগা অমরোমদা মশিং য়ামদবা কাঙলুপ অমনা হায়... অনৌবা টেক্স সিষ্টেম অসিনা নমথাক তৌদুনা মীয়ামদগী টেক্স খোমগৎলগা, দুকান্দারশিংনা মরক্তা হাইদৎতুনা কাফম থোকপা গভর্ণমেন্টকী শেঙ্গাওদা কারমদবদু ঙসিদি কাবা ঙমহল্লে... টেক্স পীনি খঙলমদবা লৈবাকসিদগী মীয়ামদা টেক্স পীবই কান্নবা জি এস টি’না খঙবা ঙমহল্লে। হৌজিকমক্কী ওইনা ইন্দিয়াগী টেক্স কল্লেক্সন, থা অমদা লুপা ক্রোর লাখ অমগী মথক্তা ওইরিবসি জি এস টি হৌদোক্লমদ্রবদি ঙল্লল্লোই-এক্সপার্টশিংনা হায়বনি। রুল্লিং পার্টিনা হায়- জি এস টি চৎনহল্লকপসিনা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেটিব লেবেলদা হান্না চথরম্বা শেঙ্গা-থুমজাগী থবক থিংবা ঙম্লে, টেক্সকী অহোবা ইফুৎ অমা মেনবা ঙল্লবনিনা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীমক্তা টেক্স ইনকম মশক নাইনা হেনগৎহল্লে। ওপোজিসন পোলিটিসিয়নশিংনা হায়... ঐখোয়না নীংলুবা, খল্লুবা চাং অদু য়ৌনা জি এস টি’না ঐখোয়দা কান্নবা পীবা ঙমদবসিগী মরমদি থবক ওন্থোকপদা শোয়বননি।

মান্নদবা পোলিটিকেল পার্টিগী লিদরশিংনা করি করি হায়নবা, করম হায়না হুন্নবদু তুংওইননা থল্লগা, জি এস টি থৌশিল অসিনা লৈবাকসিগী লৈবাক-মচাশিংদা করম করম্বা অহোংবা লাকহনখ্রবগে? কান্নবতা পীবরা? মাঙজবদি থোকহনখিদবরা? থা তরাতরুক অসিদা ঐখোনা হকথেংনরকখিবদু নৈনবা চুম্বরা খন্দুনা ৱারেং অসি ইজবনি। পোলিটিকেল ওইবা মীৎয়েং অদু লৌথোকসি।

গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স- ফৈ নৎত্রগা নৎতে, লৌগদবনি নৎত্রগা লৌরোইদবনি হায়বা ৱাখল অদু কোকসিদগী তাম্থোকখিসি। টেক্স অসি পীরিবা অমদি লৌরিবা মওং অসিমদি তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি, মনুং মপান ফাওনা উবা, ত্রান্সপরেন্ট ওইবা সিষ্টেম অসিগী খল্লুরগা। ‘দিজিটেল ইন্দিয়া’ হায়না মিংথোনবা এন দি এ লৈঙাক অসিগী কম্প্যুটরাইজ ইন্দিয়া অমগী মঙদুগা জি এস টি’গী থৌরাং মায় পাকপা/পাক্তব’গা নক্লবা মরী লৈনরম্মী। দিজিটেল ইন্দিয়াগী প্রোগ্রাম পায়খৎলমদ্রবা, জি এস টি’সু মায় পাক্লল্লোই। খোঙহৌ খজিক্তং থীনবগী নুংনাংবদুমদি ফাওই- সিঙ্গাপোরনা দিজিটেল ওইখিবা ইন্দিয়াদগী চহী নিফুমঙা হানখিবদুগী। নীংতম্বা লৈবাক ওইবদি ইন্দিয়া’না চহী তরানিপান হানবনি। গভর্ণমেন্টকী রেকোর্দ পুম্নমক কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা দিজিটেল ফোর্মেট’তা থম্বা হায়বসিনা সিঙ্গাপোরগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ‘লী কুৱান য়িউ’গী অহানবা প্রাইওরিটি ওইখিবনি। কুমজা ১৯৬৫ দা নীংতম্বা লৈবাক ওইরকখিবা ‘সিঙ্গাপোর’গী দিজিটেলাইজেসন, ১৯৭০ দা লোইশিনখি। ইন্দিয়াবু দিজিটেলাইজেসন তৌবগী ৱাখল, ২০১৫ খক্তদা লাকখিবনি। চহী ৪৫ হান্না থাংখ্রবা খোঙথাং অদু তানখৎপদা চহী ৫০-৬০ হোৎনরবসু ফংঙল্লরোই হায়বসি ঙসিগী ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়ন অমত্তনা খঙবা ঙমদবা অসিনি লৈবাকসিগী লাইবক থীবা। সার্ভিস টেক্স, এক্সাইজ টেক্স, ভেল্যু এদেদ টেক্স... পুম্নমক চে ওইনা পীশিন্দ্রি’মখৈ থাজদবা সরকারনি। ওফিসর অমগী মমাঙদা পুশিল্লকপা দোক্যুমেন্ট অদু ‘শাশিন্নবা ওইরমগনি’- মহাক্কী অহানবা ৱাখলনি। বৃটিশশিংনা পাল্লিঙৈ ইন্দিয়ন অমনা পুথোরকপা ওফিসল দোক্যুমেন্ট, ফন’-চুম্বা ওইর’সু, বৃটিশ ওফিসর অমনা ‘চুম্লে’ হায়দুনা সর্টিফাই (এত্তেস্ত) তৌদ্রি’মখৈ অচুম্বনি হায়না লৌবা ঙমদবা মাইন্দ-সেট অদু, ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসরশিংনা মতৌ তমহৌদুনা, গেজেটেদ ওফিসর’না এত্তেস্ত তৌদবা দোক্যুমেন্ট, ওফিসল ওইনা লৌবা য়াদবগী চৎনবী- লমদমসিদা হৌদোকখি। অশেংববু ওইর’সু, অশাববু ওইর’সু মমাঙদা চে ওইনা লাম্থোকত্রিমখৈ থাজবা ঙমদবা পূক্নিং অমা পোষ্ট-কোলোনিয়েল এদমিনিষ্ট্রেটিব কলচর অমা শেমগৎলকখি। অদুগুম্বা কলচরদগী নাম্থোকপা ঙমদ্রিবা অসিগী মীরোলদুদনি ঐখোয়না ঙসি হিংলিবা। ঙসিদি, অদুগুম্বা পেপর ত্রান্সেক্সনগী জুগ অদু লোইখরে। খুদোম্বী কিৎ কিৎ কম্প্যুটরগী নম্ফম-ময়েক অহুম মরী নম্বদা অপাম্বা চে খুদিংমক ইশাগী নাক্তা খিল্লিবা কম্প্যুটর, নৎত্রগা, মোবাইল ফোন’দগী লৌথবা য়ারবা জুগ অদুদনি ঐখোয়না ঙসি হিংলিবা। লী কুৱান য়িউ’না, ১৯৮৪, ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধী’দা হায়রমখি- গভর্ণমেন্ট অমা চলাইবদা খ্বাইদই মরুওইবা ফেক্টর অদুদি ‘লৈঙাক অমদি মীয়াম- অনীগী মরক্তা লৈনফম থোকপা থাজবা অদুনি...। ইন্দিয়াদা লৈরিবা খ্বাইদই মরুওইবা অৱাৎপা অদুদি- মসিগী থাজনবা অসিনি- লৈঙাক্না মীয়াম্বু থাজদে, মীয়াম্নসু লৈঙাকপু থাজদে। সিঙ্গাপোরগী লৈঙাক্না থাজে-সিঙ্গাপোরিয়ন অমনা গভর্ণমেন্ট’তা শাশিন্নবা দোক্যুমেন্ট পীশিল্লক্লোই, লৈঙাক্তুনসু মীয়ামদা ওইদবা চে, শেমজিল্লগা পীরক্লোই। কনাগুম্বা অমনা অরানবা অসি তৌরল্লবা অহকপা চৈরাক ফংগনি। অরানবা তৌরে- কোর্টনা প্রমান তৌরবদুসু চৈরাক অমত্তা ফংদনা অকন-অথৌ ওইনা ইন্দিয়াদদি অদুম লৈগনি। ইন্দিয়াগা অতৈ চাউখৎপা মফমগা খেন্নরিবসি মদুনি।

জি এস টি’না পীরিবা কান্নবসি মদুনি। ঐনা পীরিবা টেক্স অদু, কনানা মরক্তা হাইহৎলি/হাইহৎতে- ইশানা অদুম য়েংজবা য়াই, ওন লাইন, নেট সার্ভিস প্রোভাইদর লৈরিবসি মদুগীনি।

ষ্টেট অমগা অমগা তাইনফম ওইবা চেক পোষ্টশিং, মরুওইনা বেঙ্গল-অসামাগা লোন্নফম শ্রীরামপুর চেক পোষ্ট’তা মশিং থীঙমদ্রবা ত্রকনচিংবা পোৎ পুবা গাড়ীশিংগী পরেং অদুমদি জি এস টি চৎনখ্রবা মতুংদদি উখিদ্রে। গেট অদু লান্নবা, দ্রাইভরশিংগী ফুরিৎখাউদা হাপ্লম্বা য়াল্লবা শেনফম অদু হৌজিক কদায়দা শীজিন্নখ্রবা? কনানসু খুল্লক্লোই।

৫%, ১২%, ১৮%, ২৪%- পোৎশক্তুগী মতুংইন্না’, খেন্ননা লৌরিবা টেক্স অসি করিগীনো? সিঙ্গাপোর, মালয়এসিয়া, অস্ট্রেলিয়াগুম হন্থবা রেট অমদা জি এস টি লৌবা করি কায়বগে? য়াদদুনা তৌরিবনি। চাউখৎপা লমগা চাংদম্নগনু। হায়বনচিংবা নত্তনা তাকউ য়াদে শুগায়না। ২০১৯ ইলেক্সন মমাঙদা ১২% অমদি ১৮% অনীসি পুনশিন্নরবা য়াই- হায়ব’মা হায়নরি। অদুগা মীয়াম্না হংনরিবা অরুৱা ৱাহং অমদি- প্রেত্রোলিয়ম প্রদকশিংদা জি এস টি লৌদ্রিবা করিগীনো হায়বসিনি।◀◀

টাকমুগী ফুমদি মথক্তো

- সোরোক নোরেন -

লেপ্তনা চৎলিবা মতমগী খোঙচৎনা হুমদুনা পুরি মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি খোঙচৎসে। ঙসিগী মপূং ফারবা ফজরবা নুমিৎসিসু ঙরাংগী কাউঙমদ্রবা নুমিৎ ওইনা লৈহৌগদৌরিবনি। কনানা খাম্বা ঙমলুনি মতমগী খোঙচৎপু। খঙনা খঙনা নোংমদি লাক্কনি খল্লম্বা নুমিৎতো ঙসি ওইরক্লে। চৎখ্রগনি ঙসিসু মাগী মতম লোইদুনা ঙরাংগী পুংফমদা। ঐখোয়সু চৎলি মতমনা পুবা লম্বীদা তুং ইন্দুনা।

নুংশিদ্রা মতমসে। স্বাছ ভারত মিসন হৌদোকখিবা নুমিৎ ওক্টোবর ২, ২০১৪ ঙসিদি চহী মরি মপূং ফারে। মিসন অসিগী মপুন্সি চহী ৫নি হায়না থমখিবদু মপূং ফাগদবা শুপ্পগী চহী অমখক্তা মঙাইরে। অদুবু মিসন অসিনা হেদোকপদা লৈরি লৈরিবা ষ্টেট অদুগী ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ওইনা দিজাইনেট তৌরগা মিসন অসি হেন্না মায় পাক্নবা হোৎনখি। হায়রিবা নুমিৎ অদুদগী হৌনা মণিপুর লৈঙাক্কীসু ষ্টেট মিসন দিরেক্টরনা মাঙজিল থানবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসিদি অদুগুম্বা ষ্টেট অসিগী মায় ওইনবা হোৎনদুনা টাউন খুদিংমকপু অচুম্বা লম্বী অমদা পুবিরম্বা দিরেক্টর মাহুদ এন গীতকুমার থবক তৌবগী মতম লোইদুনা থবক্তগী পোথাখিবা নুমিৎ ১০নি ফারে। দিরেক্টর মাহুদ ওইনা কুমজা ২০১০গী মে থাদগী থবক পুবা হৌখিবা গীতকুমার শাংলবা চহী ৮ অসিদা তৌবা য়াবা থবক কয়া অমদি টাউন পূম্নমক্কী অশোয়বা কয়া চুমথোক্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশকনি। মপূং ওইনা থা অহুমদা ঙাইরিঙৈদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী (মতমদুদা কাউন্সিল হায়রম্বা) স্পিসিয়েল এদমিনিষ্ট্রেটরগী চার্জসু পুদুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াবু তরু-তনানবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনরম্বা মীশকনি। ঙসি ইম্ফাল এরিয়াগী অয়াম্বা মফম তরু-তনানবা লমদম অমা ওইবা ঙল্লক্লিবা গীতকুমারগী অচৌবা খুদোলনি হায়দবা য়ারোই। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল খক্তা নত্তনা পি পি পি (পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরসিপ) মোদেলগী খূথাংদা অমোৎ অকায়শিং লৌথোকহন্দুনা ঙসিদি খরমখৈদি ইম্ফাল সহর তরু-তনান্না লৈরে হায়বা য়াই। অদুম ওইদুনসু মীয়াম্না লৌশিং তামিন্নবা অমদি মথৌ তারি।

গীতকুমারনা দিরেক্টরগী থৌ পুরিঙৈদা মপূং ওইবা স্কিম খরা পায়খৎলম্বগী মনুংদা স্বাছ ভারত মিসন (অর্বান), হাওজিং ফোর ওল, অমরুট (অটল মিসন ফোর রেজুভেনেসন এন্দ অর্বান ত্রান্সফোর্মেসন) পনবা য়াই। স্বাছ ভারত মিসন (অর্বান) য়াম্না পাক চাউখ্রে। অদুবু মপূং ওইবা তরু তনান্না লৈনবা হোৎনবা অমদি লমদম অদু ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইনবা হোৎনবা তরাই তরাইবা থবক অমত্তা ওইখিদে। ঙসি ষ্টেট অসিনা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙ ওক্টোবর ২দা ওনরেবল সী এমনা মণিপুর ষ্টেট অসি ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইরে হায়না লাউথোকখিবদা অর্বান এরিয়াগী ওইনদি চহীমুক্কী মমাঙদা মণিপুরগী টাউন ২৭ মক ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবনি। টাউন ২৭ মক ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইরে হায়নবা হোৎনবদা অরুম্বা থৌদাং কয়া শরুক য়াবিরম্বা মীশকনি। লোয়ননা হাওজিং ফোর ওলগী য়াল্লবা টাউন ২৭কী বেনিফিসরি খন্ননবা হোৎনখিবা, নীংশিংলুরগা হৌখিবা মীকুপশিংদো ঙসিদি কয়াদা মমল লৈরকখ্রবা। ইহান হানবা ওইনা মণিপুরগী টাউন ২৭কী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা অরাপ্পা টাউন জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা ফিল্ড ভেরিফিকেসন হৌখি। কুমজা ২০১৬, ওক্টোবর ৯ নোংমাইজিং নুমিৎনা ইহান হানবা মণিপুরগী হাওজিং ফোর ওলগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন নুমিৎনি। ঙসিদি শাংলবা চহী ২সিগী মনুংদা টাউন ২৬কী ফিল্ড ভেরিফিকেসন চৎতুনা বেনিফিসরি খন্দোকপা লোইবদা নত্তনা অর্বান মিনিষ্ট্রিনা হায়রিবা বেনিফিসরি খুদিংমক্কী শেন্থং পীবা হৌদুনা হাওজিং ফোর ওলগী অহানবা খোঙথাং লোইরে। অসুম্না মরুওইবা মিসন কয়া মায় পাক্নবা হোৎনরম্বা দিরেক্টর মাহুদকী থবক তৌবগী মতম হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০, ২০১৮দা ওইখ্রে। শাংলবা চহী ৩৮ মণিপুর লৈঙাক্কী অচঙবা শিন্মী অমা ওইরমদুনা হোৎনরম্বা কয়াবু নীংশিংবা ওইনা মাহুদকী মখাদা লৈমিন্নরম্বা এঞ্জিনিয়রশিংনা শিনখিবা কায়ন থৌরম অমনি ওক্টোবর ৭, ২০১৮।

মোইরাং এ সীগী মনুংনি হায়, থাঙ্গ এ সীগী মনুংনি হায়, ঙসি ফাওবদি লৈখায় তাহৌদ্রি। টাকমুগী ফজরবা ফুমদিগী লৈকোলনা খূৎলাম তোইনা কৌখিবা নুমিৎনি ওক্টোবর ০৭, ২০১৮, নোংমাইজিং নুমিৎ। মমাঙগী নুমিৎ খরনিদা হকচাংগী ফীভম শোন্থদুনা লৈরুরবসু নুমিৎ অদুমদি য়াম্না য়াওনীংখি। অরোইবা নুমিৎনি মতুং কনানা খঙবা অমুক হন্না উনখিদবসু। পুন্সি শিন্থা থিরিঙৈ অদুক নুংশি নুংশিনা হৌমিন্নরকখিবশিং শাংলবা চহী কয়া হৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা নোংমতা থেংনদনা অদুম হৌখ্রি। থিজিনবা ৱাৎপা, চঙশিল্লুদবা ঙসিসু ইরোলনুংদা লোৎতুনা লৈরল্লি ‘টাকমুগী এক্বামেরিন ফ্লোটিং হোম ষ্টে।’ অসুক ফজবা পূক্নিং হুরবা ফুমদিগী লৈকোল মরক্তা তাওদুনা লৈরল্লিবা ফ্লোটিং হোম ষ্টে সঙাই মুনলাইট কেম্পিং হায়না মীংথোন্দুনা শাগৎচবা মঙালনি। মোইরাং মায়কৈগী লাইরিক হৈবা নহারোল মরক্তা অমা ওইরিবা অশোক সাপমচা মণিপুরগী অহানবা স্বাছ ভারত মিসন হৌগৎলকপদা থেংনখ্রে। অঙনবা কুমজা ২০১৬কী স্বাছ ভারত মিসন অসি খূৎমাবা ওইনা মোইরাংগী আই এন এ হোলদা হৌদোকখিবদা থেংনখি ইনক্রিদিবল মোইরাং ওইনা। ঙসিনা অমুক লৈরল্লি টাকমুগী নীংথিরবা ফুমদিগী ফজববু মালেমদা মশক তাক্তুনা। চাউথোকচনীংঙাইনি মোইরাংগী অশোক, থাগৎলি নঙবু ঙসি নঙগী খূৎশেমগী মশক্না মহৌশা লোক্তাক ইমাগী মথক্তা লেপচবা ফঙহনবীবা। ঐ অমদি ঐগী কাঙবুনা করিগী ঙসিতা খঙলিবা, কয়াদা লাইবক থীখ্রবনো ঐখোয়সে। মীরম মচা কয়া কয়ানা টাকমুগী ফুমদি মথক্তা ফমদুনা লোক্তাক ইমা লাইরেম্বীগী ইপোমদা ঙাওদুনা হনখিবা। অসুক ফজবা মফম অসি ঙসিদি মালেম শিনবা থুংলে। মসিতনসু অশোক্কী মঙলান অদু মঙফাওনরে হায়বা খক নত্তনা লাক্লম্বা মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা হরাউ মীনোক্না হনখিবদুনি খন্না পেলহৌরি।

অকক্লবা ফুটশিং খঙনা লুই হায়দ্রবসু অচৌবা ৱাশাং অমগী মরেপ হেন্না লুই হায়রিবা ফজরবা ফুমদি অমখক তাশিল্লগা মরন্নাই ওইনা শেমজবা ফুমদিগী লৈকোলনি। ফুট ২০ মুক পাকপা ২০০মুক শাংবা অচৌবা ফুমদি অমবু শরুক অহুম থোক্না খায়দোক্লগা শেম্বা ফ্লোটিং হোম ষ্টেনি। হায়রিবা মখল অহুমগী শরুকশিং অসি অমনা চাকথোংফম ওইনরি অমনা লৈননবা/পোথাফমনি। অহুমশুবা মফম অসিনা টৌইলেট/বাথরুমনি। হায়জিনিক ওইবা মওংদা সেপটিক টেঙ্ক শেমদুনা ওভর হেদ টেঙ্কি অমসু শেল্লি। ফুমদি মথকসিদা কমদৌনা সেপটিক টেঙ্ক শেমদুনা মহৌশাগী খলদা অকায়বা মচেৎ অমত্তা পীদ্রিবা মফমসিবু চৎপীনীংদবরা। উন্ননবা হোৎনবিয়ু টাকমুদা লৈরিবা অশোক সাপমচাগী সঙাই মুনলাইট কেম্পিং। ঐখোয়গী ইরলনি, চৎতুনা অমুক্তং য়েংবিয়ু ফুমদি মথক্তা করি করম্বা টেক্নোলোজি শীজিন্নরিবা। হিথাংফম ওইরিবা কংফাল মচিন্দগী হায়রিবা ফ্লোটিং ষ্টে অসি য়ৌবদা হিনা চৎপদা মিনট ২০ লোম চঙদুনা শেল্লিবা লম্বেল অসি তেনশিন্নবা হায়রুবদা মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীনীংদবগী ৱাখল অদুনা অমুক্না হেন্না ফজহনখি। ঈশিংগী লম্বীদা মদুসু অচৌবা ফুমদি মরক্তা হিনা চৎপগী মহুৎ মোটোর বোট মচা অমা শীজিন্নবা য়াদবরা হংলুবনি অদুবু মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীদনবা খূৎশেমগী হী শীজিন্নবনি হায়। অশেংবনি লুপনিং লুপনিং তৌবা হীবান্দা পায়দুনা অরুবা লাইজদা তারিবা ইশাগী ইমিবু য়েংবা ফংজবদো অচম্বা পুন্সিগী মহাও মখল অমনি। মফমসিগী ফজবতনা হেন্দুনা লৈহৌরবা ফুমদি মথক্তগী নোংচুপ থংবদা য়েংখিবদা তারমদাই নুমিৎকী ঙঙ্গান্নবা মচুগী মশেক্তুনা করিসু তাবা নত্তে কৈন্যাকুমারিদা নুমিৎ তাবা য়েংনৈ হায়বদু। অসিগুম্বা ফজরবা মফম অসিনা খুদম চাংদম ওইরগা হৌখিবা চহী ৩৮গী শাংলবা খোঙচৎকী ৱারী লীবিরম্বা থবক্তগী পোথাখ্রবা গীতকুমারনা খনখিবা মফমনি টাকমুগী ফ্লোটিং হোম ষ্টে। মসিনসু ঐখোয়দা অচৌবা অহেনবা পাড়া অমা ওইহৌরে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা টাউন ২৭মক্কী ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিভ ৩৭৫গী থম্মোয় মশক খঙখিবা রিটয়ার্দ দিরেক্টর মাহুদনি।

দিরেক্টর মাহুদ ওইনা হেক পুরকঙৈদগী টাউন ২৭ খক্কীদা খল্লগা লাক্লবসু অসিগুম্বা টাকমুগী ফ্লোটিং হোম ষ্টে লৈ হায়বা কমদৌনা খঙলিবা মসিনি মীওই অসিদগী তমজনীংঙাই ওইরিবা। হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর ২দা হৌদোকখিবা ইম্ফাল ইভনিংসকী চহী ফাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা অচৌবা থৌরম মখূৎমক্না ৱানা হোৎনরল্লবসু চৎনবীগী পলনা অচৌবা থৌদাং য়াবা ঙমখিদ্রে। অসি ওইরমাল্লে তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী চৎনবীসে। পূম্নমক হৌরবদি লোইবা নাই হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কীনি। ঙসিনা মাগী, হয়েংনা ঐগী, হংচিংনা অমগী অমুক। অদুবু ঐখোয় লেপ্পদি য়াদ্রি। মরুওইনা নুমিৎ অদুগী তেল্লবা মীৎকুপ খরদং মাগী পুন্সি খোঙচৎতা থেংনরকপা কয়া খঙহৌনবা লীবিরম্বশিং য়াম্না মমল লৈখি হায়বা য়াই। লৈঙাক্কী থৌমী ওইরুরবদি কৎথোকপা হায়বা ৱাখল অসি তঙাইফদনা মাঙদা থম্নবা হোৎনগদবনি। অদুগা অমনা ঐখোয়নদি ছুটি নুমিৎনি হায়রিবশিং অদু ঐখোয়গী ফংফম থোকপা নোংমগী খূৎশুমল ফংলিবনি। মরম অদুনা ৱার্কিং দেদা শূবা লোইহৌদবশিং ছুটি নুমিৎতা শূহৌনবসু হোৎনবা তঙাইফদে। ৱাফমশিংসিগী ময়াই ঙসিতমক খঙলক্লি। মরমদি টাউন টাউনগী মশাগী ওইবা থবক কয়া লৈবনা মরম ওইরগা অতোপ্পা হাওজিং ফোর ওলগী, ফিল্ড ভেরিফিকেসনশিং ছুটি নুমিৎতা ওইনা পাঙথোকমিন্নবগী মপালননি ঙসি টাউন ২৬ মক স্কিম অসিদা মায় পাকপা ঙল্লিবা। হঙ্গৎনা য়েংবদা মথক্তা পনজখ্রিবা অচৌবা মিসনশিং অসি মায় পাক্নবা হোৎনবদা মাহুদকী লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্তি অমত্তা ওইবগী লিচিং লৈখি। মদুমক্কনি ঙসি টাউনশিং অসিনা নোর্থ ইষ্টকী মনুংদা অমদি জাতিগী থাক্তা মণিপুরনা মাঙজিল কয়া থারক্লিবা। হৌজিক্কী মতম অসিদি অঙকপা চাওখৎপা হায়বদু ওইরে হায়নরিবনা চুম্নদগী ওফিসতা ফমদুনা থবক শূবা মতম অদু নৎত্রে। শম্না হায়রবদা হাওজিং ফোর হায়রগা টেবল খক্তদা বেনিফিসরি খন্দোক খঞ্জিন য়ারক্ত্রবা মতম হায়বদু ওইরে। ঙসি ইম্ফাল সহর অমদি অতৈ অতোপ্পা টাউন কয়ানা লূ-নানবগী চাং অসি য়ৌরক্লিবসি শিৎপখক্কী ৱাফম ঙাক্তসু ওইদ্রি। মীপূম খুদিংমক্না অমোৎপগী পোৎশিং মফম খঙনা হুন্দোকপগী হৈনবী লৈরকপদগীসু ওইরক্লিবনি। তশেংনা ঙসিগী মণিপুর অচৌবা অহোংবা কয়াদি লাক্লমালে হায়নীংই।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে মীওইবগী খোঙচৎনা হেক লেপত্রিফাওবদি লৈঙাক্কী থৌমীবু ওইরো, লন্নাইগী হিংনবা লম্বী শেমজববু ওইরো ঐখোয় মশেলগী মতেংদি হেক লোইদ্রিফাওবা পাংনবা তাই। ৱাহৈ অসিনা অরোইবা ওইরগা মতম খুদিংমক্তা মাহুদকী ওইনা ঐনা খঙবা খরদি নখোয়গীদমক মতেং পাংনবা থোঙ লাউনা হাংদুনা লৈরি, লাক্লিংবা মতমদা লাকউ হায়বা ৱাহৈদুনা টাকমুগী ফুমদি মথক্তো পুমনিল নিন্দুনা লৈহৌরে।◀◀